হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ওক্তোবর ০১, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৮৬শুবা মশীং

# পূম্নমক্না মতেং পাংশিনগদবনি

## অচুম্বা ৱায়েল থুনা পুরক্নবা হোৎনগদবনি

জেলিয়াংরোং বৌদিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অমসুং এদভাইজর অথুৱান অবোনমাই মীহাৎকী মতাংদা তমেংলোং পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা চেন্নবনি হায়বা মীওই অনী ফাগৎপা হৌখ্রে। মখা তানসু ফাগৎলকফম থোক্লি। মরমদি মহাকপু সেপ্টেম্বর ২২, ২০২১গী অয়ূক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী লৱর গ্রাউন্দ মনাক্তগী নমদুনা ফারগা মারুটি জীপসিদা হাপচিল্লগা পুখিবা মতমদা শরুক য়াখিবা, ইনভোল্ব তৌখিবা কলপ্রিটশিংদু মীওই অনীখক্তা নত্তে। মারুটি জীপসিদুবু থৌখিবা দ্রাইভর য়াওনা মীওই খরনি। অমরোমদা পুলিসনা চেন্নবনি হায়দুনা ফাগৎলবা, হৌজিক্না মরী লৈনবা কোর্টতগী নুমিৎ ৯নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথদুনা ৱাহং-পাউখুম চঙ্খরক্লিবা মীওই অনীদু মরাল লৈবা নৎত্রগা লৈতবা হায়বসিদি পুলিসকী ইনভেষ্টিগেসনদগী খঙগদৌরিবনি। নুমিৎ ৯নিগী মনুংদা ঙানি-ঈশিংনি খঙগদৌরিবনি। করিগুম্বা কোর্টনা পীরক্লিবা নুমিৎ ৯নিসিগী মনুংদা লৈখাই তাথোকপমক ঙমদ্রগনা মখোয় অনীগী সেকেন্দ রিমান্দদা পুলিসকী মায়কৈদগী মখা তাবা (ফর্দর) পুলিস কষ্টদিগী রিমান্দ প্রেয়র তৌরকপসু য়ারি। লৈখাই তাথোকপা ঙল্লগসু কেস অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং শুনা ফাদ্রিবা ওইরগদি মখোয় অনীবু জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ পীবীনবা প্রেয়র তৌরকপসু য়ারি। থবক পূম্নমকসি কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন ওথোরিটি ওইরিবা পুলিসকী মথৌনি। মখোয়গী হৈ-শিংবগী মখা পোনগদৌরিবনি।

অদুবু থৌদোকসিগী কেসকী মতাংদা হৌজিক থিজিনবগী থবক চঙ্খবা হৌগৎলকপদা ঙাইরি। ইনিসিএল ষ্টেজদা লৈরি। অহানবা কেস অসি রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপদা অথুৱান অবোনমাইবু নমদুনা ফারগা মীহাৎ-থীনা হাত্তোকখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা লৌখৎপা কেসকী লোগী সেক্সনশিংদা মীওইশিংদু আউট-লো ইলিমেন্টশিংনি হায়বা ফাওবা য়াওরমখিদবনি। চুম্নতগী ফারগা পুখিবা অমসুং হাত্তোকখিবা অদুদগী হেনবা মরী লৈনবা লোগী সেক্সনশিং ফাওবা য়াওরমদবনি। অদুবু কেস অসি রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলবা মতুং নুমিৎ খরনি কান্নরগা সেপ্টেম্বর ২৬, ২০২১দা 'অন-লোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ট, য়ু এ (পি) এক্টকী সেক্সন অহুম হাপচিনখ্রিবনি। মরম অসিনা মতাং স্বাইদা ফাগৎলিবা মীওই অনীসিগী মনুংদা অমদি মরাল লৈতে, মীচমনি, কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি কা হায়বা ৱাফমসি ফোঙদোক্তুনা য়ৌ-য়ৌ তৌরুবা চুপ্লোই। পুলিসনা ফাগৎতুনা হৌজিক মখোয়গী কষ্টদিদা থম্লক্লিবা মীওই অনীসিগী মনুংদা অমদি মীচমনি, মরাল লৈতে হায়রগদি মীচমনি, মরাল লৈতবনি, কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়দুনা ৱাকৎ মীফম ফম্লক্ত্রিবা অমসুং প্রেস কনফরেন্স পাঙথোরক্ত্রিবা অতোপ্পা মীওইদুদি মরাল লৈবগী ওইগদৌরিব্রা? মহাক্তি থৌদোকসিদা চেন্নরব্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্কনি। অদুনা মস্বাইসিদা পুলিসকী মথৌদা অমসুং থবক্তা ইন্টরভিন তৌবা ওইনা থোক্কদবা থৌওংশিং থোকহনগদবা থবকশিং চঙ্খরকপা চুপ্লোই। লৈরিবা কেসকী ষ্টেজসিদদি পুলিসতা ফ্রী হেন্দ পীগদবনি। মখোয়গী ইনভেষ্টিগেসনগী মতাংদা ৱা ঙাঙনীংলবসু কন্সত্রক্টিভ ক্রিটিসিজম ওইনা পীগদবনি। মখোয়না নুমিৎ মশীং য়াম্না শাংনা অশেংবা থৌদোক্তুগী কলপ্রিট (এক্যুইজ) শিং ফাগৎপা ঙল্লক্তবা, মখোয়গী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা লোগী থবকশিং লৌখৎপা ঙমদ-ঙমশিল্লক্ত্রগা লৈবাক মীয়াম লৈরি, ৱায়েলশঙ কয়া মরোল-মরোল লৈরি। তৌফম থোকপা কয়া তৌবা য়াই। অদুবু ক্রাইমসিদা ইনভোল্ব তৌরিবা মিস্ক্রিয়েন্টশিংসি অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসন এন এস সী এন (আই-এম) গী কাদর, মখোয়গী সিম্পেথাইজর অমসুং ওভরগ্রাউন্দ এক্টিভিষ্টশিং ওইবনিনা ইনভেষ্টিগেসনদা শোয়দনা মতম চংগনি। লৈখিদবা থৌদোক্তু নুংঙাইতে, খ্বাইদগী থাক ৱাংলবা ক্রাইমনি। অদুবু মসি ওইরে হায়দুনা হৌজিক্তা থাবা পাম্বীদু হৌহল্লু, মসা-মরেং ফন্দোক্তুনা মপূং মরৈ ফাহল্লু অমসুং মহৈ য়ালহল্লু হায়বদি লানগনি। ঙাইঙমদবা চুপ্লোই। হৌজিক ফাগৎলিবা মীওই অনীসিগী মনুংদা অমা মরাল লৈরমদবা য়াই, অনীমক মীচম ওইরম্বসু য়াই নৎত্রগা অনীমক কেসসিগী ম্যেন এক্যুইজশিংমক নৎত্রবসু কো-এক্যুইজশিং ফাওবা ওইরকপসু য়ারি। পুলিসনা হায়বা ঙাক্তা য়ারোই, কোর্ট হায়বা অমসু লৈরি। কেসসিগী প্রোগ্রেস য়েংখিসি। পাংশিনবা য়াবা মতেংশিং পাংশিনখিসি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৭

১) *''বিদায়! কংলৈপাক বিদায়!''* হায়বসি মপান মণিপুরী অমনা ইবা লাইরিকনি। অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) *''গীতা-লৌশিংগী পুক্কে''* হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেলদু কনানা ইবা করি লাইরিকনো? মণিপুরীদা কনানা ইথোকপনো?

৩) *''নীংতম্বগী মমল''* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) *''অরোইবা পাউদম''* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) ***''উ-থম্বালগী শৈথারোল:- মরিং খুম্বীলোক মাইবা থরাইলোক্তা শাৎপা লৈ, শরী নামুং শোননা ৱাশক্লবনা লৈ, পামেন উজাও শকপা লৈ, লৈরাং কোলোয় মমিংদি উ-থম্বাল কৌইদো।''*** করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৬কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) য়ুম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবী মখা লৈকায় - (১, ২, ৩)
২) ওইনাম ইবোচৌবা, শগোলবন্দ তেরা - (১, ২, ৩, ৫)
***৩) সীনেদা থিয়াম, চীংমৈরোং মমাঙ লৈকায় - (১, ২, ৩, ৫)***
৪) ধনেশ্বরি থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেজোর মমাঙ লৈকায় - (১, ২, ৩, ৫)
৫) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২, ৩)
৬) খুম্বোংময়ূম ইনাও, কিয়াম মমাঙ লৈকায় - (১, ২, ৩)
৭) রাজকুমার গেরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং - (২, ৩)
৮) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৫)
৯) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২, ৩, ৫)
১০) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১,২,৩,৫)
১১) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১, ২, ৩, ৫)
১২) ইবোচৌ কোন্থৌজম, শগোলবন্দ তেরা খুরাইজম লৈরক - (২)
১৩) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১, ২, ৩, ৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২৬গী ৱিন্নর*

***সীনেদা থিয়াম, চীংমৈরোং মমাঙ লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)***

**হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লম্বী চখোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা লিটরেরি ক্যুইজ ২৬কী অহানবা মনা ফংলবা মীওই অদুগী মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা শেলগী মনা অসি হাপচিঞ্জরগনি।**

# লাইগী শক্তম য়েকপগী থবক অরুবনি

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

হৌজিক্কী মতমদা ইরমদম কংলৈপাকসিদা লাই য়েকপা ইচিন-ইনাওশিং খরনা মৈতৈ ফুরুপকী অরিবা লাইশিংগী শক্তমশিং য়েকপদা মানা-মানা পামজবা অমসুং ওইহন্নীংবা মওংদা ওইহন্দুনা য়েকপগী চৎনবী অমা য়াম্না কন্না চৎনরকপগুম উই। থৌদৌসিমক্তি তশেংনা অরানবা থৌদৌ অমা ওইগনি। থৌদৌসি অয়াম্বনা ঙসিদগী চাউরাক্না চহী চহুমলোম খরা হেনবগী মমাঙ অদুৱাইদা মৈতৈশিংগী পুৱারীদা হান্নদগী লৈজরকপা ইপানাৎ-ইপুনাৎ হাক্তক্কী লাইনীং-লাইশোনবু থাদোকহন্দুনা অনৌবা অমদা নমদুনা হোংহনখিবদুদগী থোক্লকখিবনি। মতমদুদা লৈরম্বা মৈতৈ ফুরুপকী ওইবা লাইশিংগী শক্তমশিংবু হৌজিক্তা অমুক হন্না নীংশিংলগা য়েকপা-শাবগী থবকশিং পায়খৎলকপদা লাইগী শক্তম্বু হোংদোক্লিংবা মওংদা পংহোংদা হোংদোকপা য়াবগী মওংদা লমদমসিগী লাই য়েকপা খরনা লৌখিবদগী থৌদৌসি ওইরকখিবনি। ইরমদমসিগী লাইগী শক্তম য়েক্লিবা ইচিন-ইনাওশিংনা মূৎলুরবা নৎত্রগা মূক হাজিনখ্রবা ৱাহৈ অমবু ঐখোয়না পানীংবা মওংদা পাশিনবগী থৌদৌদুগুম চঙ্খবদি লানগনি। তশেং-তশেংনা লাইগী ওইবা শক্তমশিংদদি অসুম্না তরাই-তরাইনা হোংদোক-হোংজিন তৌদুনা য়েকপসি খক তৌহন্নীংদে। হৌজিকসি ইন্টরনেটকী য়ুং লাউরবা চহী চানি। কনাগুম্বনা লন্নাইগী ওইবা ৱাখল্লোন অমদা ফুরুপ অমগী লাইনীং-লম্বীগী থৌদৌশিংদা চয়েৎনবা নৎত্রগা কুসি-রাসিদা ওইহন্নীংবা মওংদা ওইহন্নবা হোৎনবগী থৌদৌশিং চুপ্লোই। থৌদৌসি তৌবা তারবসু য়ামদ্রবদা ওথোরিটি ওইবা অমদগী অয়াবা লৌবগী মথৌদি শোয়দনা তাগনি। করিগুম্বদা থৌদৌসিনা মরম ওইদুনা মখা তারকপদা পেন্নরক্তবা থৌদৌশিং থোক্লক্লবদি লাইগী শক্তমশিং য়েক্লিংবা মওংদা য়েক্লিবা লাই য়েকপশিং শোয়দনা থিগৎনরকপসু য়ারিবনি।

লমদমসিগী লাই য়েকপা খরনা থায়না মমাঙঙৈ ঐখোয়না খঙদ্রি-উদ্রিঙৈ মতমদগী হৌনা হীদাকফু থকপী হনুবী অমগী শক্তম লৌদুনা লৈরক্লিবী, ইমোইনু ইমা ইবেম্মা অহোঙ-অচাউবীগী শক্তম্বু তোঙান-তোঙানবা শক্লোন কয়ামরুম থোক্না য়েক্লরক্লি। শক্তমশিংসিদা মানা-মানা পামজবা মওংদা, মানা-মানা থোকপা পংয়েক্তা য়েক্লরকপগী মমি চাউনা তাই। খ্বাইদগী নৌবা খূৎয়েক্তা ইমোইনু ইমাগী শক্তমসি অহল ওইশিনহন্দনা চুম্নগী শুবা-নোম্বা ঙল্লিবী মৌ অমগী চহী মতাংগী শক্তমদা পুথোক্লক্লি। ইরমদমসিদা ইমোইনু ইমা ইবেম্মগী তোঙান-তোঙানবা শক্তমশিং মশীং থিঙমদে। অমনা হীদাকফু পায়গনি, অমনা সনা চবাক য়ানগনি, খরনা নহানি, খরনা অহলনি। অসুম্না খেন্ননা য়েক্লকপা শক্তমশিংদুগী মওং-মতৌশিং খেন্নবনা ইমোইনু ইমা ইবেম্মা অমগা অমগগী শক্তমশিং হোং-হোংদুনা উনরকপদা খুরুমদুনা ঈরাৎ-থৌনিজরিবা মচা-মনাইশিংগী মফমদসু মরিং-মরাংবা পোকহল্লি। থৌদৌসি অফবা থৌদৌগী খুদমদি খক ওইরোই। অমরোমদা, মপাল্লমদা ময়াংশিংনা লাৎলিবা লক্ষমী লাইরেম্বী অমদি সরস্বতি লাইরেম্বীনচিংবদি কৈদৌঙৈদা খক মশা-মশাগী অরেপ্পা শক্তমশিংদগী হোংদোক্তে। মফম-মতম পূম্নমক্তা অদুমক চপ মান্ননা লৈহল্লি। খ্বাইদগী ঙক্লিবদি, সোসল মীদিয়াশিংদা ময়াংশিংগী লক্ষমী লাইরেম্বীগী মতৌগুম, মৈতৈগী লাইরেম্বী অমবু ফুগায়না শাৎপা অঙাংবা থম্বাল চাম্মনিপালগী মথক্তা নেৎহন্দুনা মৈতৈগী ফিজেৎ-লৈতেংশিং শেৎহন-ইনহল্লগা পুথোক্লক্লি। লাইরেম্বীসিনা কনা ওইগদৌরিবনো, য়েকপনা কনানা য়েক্লিবা, অসুম্না থম্বাল চাম্মনিপালগী মথক্তা খোঙনেৎনবা মৈতৈশিংগী করম্বা লাইরেম্বী লৈখিবগে? খঙদবনা হংবনি? অসিগুম্বা লাইরেম্বীগী শক্তমসি হন্দক্তা সোসল মীদিয়াদা উখিবনি। লাইরেম্বীসিবু তশেংনা লৈবা জাৎলা, খনবদা লাম্বা ফংদ্রি। মীতৌ তম্বদা লাকহৎলবা ইরমদমসিগী মীয়ামসিনা ঐখোয়গী মতৌবু মীনা খরসু তমহন্নবা হোৎনমিন্নবা ফৈ।

লাইগী শক্তমশিং কাঞ্জোং-মাঞ্জোং তৌদুনা পংয়েক য়েকশিনবসি অফবা অমসুং অচুম্বা থৌদৌ খক ওইরক্লোই। হৌজিক্কী মতমদা, লমদমসিদা নৌনা কন্না ঈনোৎ-থৌনা পাঙথোক্লরক্লিবা লাইনিংথৌ পিসাতাও খূৎহৈবগী শক্তমসু অসুক্কী মতিক খেন্নবা শক্তমশিংদা য়েক্লরকপা উই। শক্তম অমদা লাইনিংথৌ পিসাতাওনা পায়রিবা হৌজিক্কানগী য়ক লাওবা দিজাইনগী, য়োৎপী শৎনবসু ওইবা য়াবা নূঙথংসিনা কয়াম লীরবা মতমগী পোৎশক মালহনগদৌরিবনো? মসিবু চুম্লিব্রা? ইরমদমসিগী লাই য়েকপশিংগী ৱাখল্লোনশিংসিবু কমদৌনা চুমথোক্কদগে অমসুং মান্নহনগদগে হায়বসি অরুবা থৌদৌ অমা ওইগদৌরি। লাইনিংথৌ পিসাতাওগী তোঙান তোঙানবা শক্তমশিং পুথোক্লকপা, মীয়াই চল্লকপী ইমোইনু ইমা ইবেম্মগী শক্তম্না হীদাকফু থকপী ইমোইনু ইমাগী মহুৎ শিল্লকপা, শকখঙদবা-শকখঙদবী লাইরেম্বা-লাইরেম্বী কয়ামুক্কী শক্তমশিং য়েক্তুনা পুথোক্লকপা, ইরমদমসিগী লাই য়েকপা খরগী ৱাখল্লোনসিবু করিনো? মথক্তা পঞ্জখ্রিবা খরসিদা লমদমসিগী লাই য়েকপা কাঙবুশিং খরনা লৈবাক্কী ওথোরিটিশিংগী অয়াবা য়াওদবা মওংদা মথন-মথন্তনা য়েক্লিংবা লাইগী শক্তমশিং পংয়েক্তা য়েক্লবসি অফবরোমদা ওইরক্কদৌরিব্রা? থৌদৌশিংসিগীদমক মরী লৈনবশিংগা মফম-মতম চারিঙৈদা ৱাখল তামিন্নহৌনবা হোৎনমিন্নবা চুমগনি।

মতম খরা শিথরুরবা মৈতৈ লাইনীংগী থৌদৌশিং হৌজিক্তদা ইপানাৎ-ইপুনাৎকী পারম-পুরমশিং থিদুনা কন্না চঙশিন্নরক্লি। তানফমসিদা মৈতৈশিংগী লীচৎ, লিক্লমদা চৎহৌগদবনি, কাঙখুলদা শাৎহৌগদবনি হায়বসি খক কাউফম থোক্তে। পোরম কায়দনা পরম চুম্না হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনহৌবা হায়বসিনা তুংদা শোয়দনা য়াইফরক্কনি। তাঞ্জাসিদা ঐখোয়গী ফুরুপসিগী হৌনবী, মানা-মানা তৌনীংবদা তৌবা, অপাম্বদা পাঙথোকপা, কনামতগা তানদনা মথন-মথন্তগী ওইবা ৱাখল্লোন্দা মনীং-তম্না কুসি-রাসি তৌবগী থৌদৌশিংসি থাদোকমিন্ননবা হোৎনবা চুমগনি। লাইরেম্বা ওইসনু লাইরেম্বী ওইসনু অকক্লবা লাই অমখকপু ঈরাৎ থৌনিবদা তোঙান তোঙানবা শক্লোনশিং কয়ামুক থোক্না তোঙান তোঙান্না য়েক্লরগা ঈরাৎ-থৌনিবগী থৌদৌশিং শুপ্নগী ইরৈবাক-ইরমদম কংলৈপাকসি খক্তদা ওইরমগনি খল্লি। লমদমসিদা মহৌশাদগী হৌনা মীয়ামগী ওইবা ৱাখল্লোনলোমদা চঙশিনমিন্নবগী থবকসি ঐখোয়দা ইৱাৎ-ৱাৎপগুম তৌই। লন্নাইগী ওইবা ৱাখল্লোন্না মাঙজিন থারগা চৎপসি ঐখোয় অয়াম্বনা পাম্নবগুম উই। পারোল-পুরোল হাক্তক্তগী হৌনা চেন্থরকপা ঈচেলগী ৱাহন্থোক ঐখোয়দা লৈগন্দে। ইথন্তনা তাইবঙপানসি পানবা ঙল্লগদবসু নত্তে। ঐখোয়সু মীওইবগী চৎনবীদি কায়দনা অদুম্মক চৎপা ঙম্নবা হোৎনবা তাই। ফুরুপ, কাঙলূপ হায়বসি মতম লৈবা খিবিক্তা ইথন্তগী খক নত্তে। ফুরুপ অমা লৈরবদি ফুরুপ্তুগী ৱা হায়বা অমা শোয়দনা লৈগনি, কাঙলূপ অমা লৈরবসু কাঙলূপ্তুগী কাঙলোন হায়বা অমদি শোয়দনমক্কী চঙই। পূম্নমকসি ইথন্তনা কৈদৌঙৈদসু খক শুপচিনবা ঙম্লোই। ঐখোয়গী পিক্লবা ইরমদমসি মালেমগী চাওখৎ লমজেলদা য়াওবা খক ঙল্লকত্রি। অপিকপা ঐখোয়গী ইরমদমসিগীদি ঐখোয় পূম্নমক লিংজেল মান্নবা মথৌ তাই। হীরম খুদিংমক্তা ঐখোয়গীদি অমগা-অমগা মমুৎ তানা তানমিন্নহৌবগী তঙাইফদবা লৈ। ঐখোয়না অপিকপা লমদমগী অপিকপা ফুরুপ-কাঙলূপ ওইরুবনা ঐখোয়না খোঙথাং অমত্তং শোয়না থাংখিবদা নক্লবদা লৈবা অচৌবা ফুরুপশিংনা মতম চূপ্পগী ওইনা ঐখোয়বু মিকপ থোকহন্দনবা, ঐখোয়গী খোঙ্গুল মুৎহনখিনবা য়োৎলগে মতাগুম অমম্বা লোকখাদা ইন্থরগে ঙাইদুনতা লৈরিবনি। ঐখোয় চাওখত্তবা য়াদে, হিংদবসু য়াদে।

ইরমদম মচাসিদা নোংমতা ঐখোয়সি ৱাখল তামিন্ননা চৎমিন্নবগী থৌদৌ হায়বদু উরকত্রি। ইথন-ইথন্তনা খন্নবা খক্তা তৌবনদি ফুরুপসিমা, কাঙলূপসিমা পূন্না থাক ৱাংখৎমিন্ননবা অপূনবা লম্বেল্লোমদা চিংশিনবা খক ঙল্লোই। হীরম খুদিংমক্কী ওইনা ঐখোয় তানমিন্নবা, অফ-ফত্তা খন্নমিন্নবা হায়বসি মথৌ তাগনি খল্লি। ইথন্তা হায়বসিনা কৈদৌঙৈদসু খক খুন্নাই অমা ওইরকপা য়ারোই। ইথন্তগী ৱাখল্লোন হায়বসিনসু কৈদৌঙৈদসু খক খুন্নাই অমগী ৱাখল্লোন কৌনরকপা য়ারোই। তাইবঙ মী ওইনা পোক্লবদি ইথন্তগী ৱাখল্লোন্না পুন্সি নুংশাংনা, মপূং ফানা খক হিংবা ঙল্লোই। ●

# ইমা অমাইবী ''লাইনিংথৌ লাইরেম্বী মদাইরেমশা'' - (২)

**– সোইবম পীবারেন মৈতৈ –**

অমাইবী অমনা ঙাক্লা চৎকদৌবা কাঙলোন অমসুং মচৎ অসি ঙসি করি ফীভমদা লৈরিবগে হায়না নৈনদুনা য়েংবা য়াই। অমাইবী অমা ওইবা হায়বসি থকসি-খাসি, চাকচা-য়িথক, ফিজেৎ-লৈতেং, লমচৎ-শাজৎতগী হৌনা য়াম্না ঙাক্লা চৎপা ওইগদৌবনি। মসি লোয়শঙগী মফমদগী হৌনা তম্বীদুনা লাক্লবা মচৎ অমনি। অমাইবী খক্তা নত্তনা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়গী ইপা-ইপু লাইওইখ্রবা ময়াম্না মসিবু ঙাক্লা চৎনবা থম্বীরল্লিবনি পরম অসি। ঙসি উমংলাই হরাওবগী মনুং চন্না কাঙলোনশিং অদু লিদুনা থম্বীরল্লি, মসিবু ঙাক্লা চৎলবদি অফবা খুন্নাই অমা ওইগদৌরিবনি। হায়রিবা হীরম অসিদা ঙাক্লা চৎমিন্নদবা য়াদবা কাঙলোন ময়াম অমা লৈ। খরদং হায়রবদা ইমা অমাইবী অমনা য়েলহেনবু ঙাক্লা চৎকদবনি, চাকচা-য়িথক অসি য়াম্না লুবা কাঙলোননি। মসিবু ঙাক্লা চৎপা ঙমদ্রবদি লাই-তিনগী লিক্লমদা অকায়বা লোইনা ওইগনি হায়না লৌই। অমাইবী অমনা চিঞ্জাকপু কান্নবদি করম্না লাইগী মশক লৌগদৌরিবনো, 'ইমাগী' মশক করম্না ওইগদৌরিবনো? য়াম্না ফজদবা, অমাইবীগী থাকপু চেন্থনবা তৌবা নমজঙ অমাইবী খরা য়াওদবসু নত্তে। লাইবুং অমদা লাই হরাওরিঙৈগী মনুংদা অমাইবীনা কালৈ য়ু অমদি অকাম্বা চিঞ্জাক চাশিন্দুনা লৈরম্বা য়াওদবা নত্তে। উমংলাই হরাওবগী লাইরোই নুমিৎ অসিদা অমাইবী অমসুং পেনা অশৈবগনা তাঙ্খুল অমসুং নুরাবীগী শকলোন লৌদুনা লাইথৌ অসি হেক-হেক পাঙথোকই। হায়রিবা থৌরম অসিদা নুরাবীসু, তাঙ্খুলসু অদুম লৈবাক ৱাথোক হেক্তা ওই, মসি করি মরমদগীনো হায়বসি অদুম খন্থবীরো। মীওইবা অসি চিঞ্জাক্কী মতুংইন্না ৱাখল, পূক্নিং অমসুং লিচৎসু অহোংবা নাই হায়বসি কাউবীরোইদবনি। মরম অসিদগী থোকহৈদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া অমা থোকইবা অসিনি। মসি অমাইবীগী ফজরবা হৌরক ৱারী, পুৱারীদা অচৌবা অকায়বা অমা ওইদবা নত্তে। করম্ন মালেমদা ঐখোয়গী উমং লাই হরাওবা অসিবু ফজরবা নাটকী লাইথৌ তিনথৌ অমনি হায়না করম্না মশক তাক্কদৌরিবনো? মসি অমাইবীগী অশোয়বা ঙাক্তসু নত্তে, মসিগী মরুমদা লোয়শঙ অমদি লাই থৌগল্লুপকীসু অচৌবা অশোয়বা থৌদাং ময়াম য়াওরি। অসুম্না 'ইমা অমাইবী'লাইগুল্লবা ময়াম অমা লৈরি, মখোয়গী য়েলহেল, থকসি-খাসি, চাকচা-য়িথক, ফিজেৎ-লৈতেং, লমচৎ-শাজৎশিং অসি মতৌ তম্বগী মতম ওইরব্রা হায়না খনজৈ।

অমাইবীগী ফিজেৎ অসিসু য়াম্না পাক চাওবা হীরম অমনি। অমাইবীগী ফিজেৎ অসি য়াম্না লুনা ঙাক্লা চৎকদৌবা কাঙলোন অমনি। অমাইবী অমনা ফি মচু শঙবা অসি শেৎনদে, অঙৌবা ঙাক্তা শেৎনৈ, মসি য়াম্না লুবা মচৎ অমনি। উমংলাই হরাওবগী ঈকৌবা নুমিৎ অসিদা অমাইবীনা ফিঙৌ শেৎলিবসি য়াম্না ৱাহন্থোক লৈবা অৱাংবা ৱাঙুলোল অমনি। খঙদদুনা অমাইবী খরদি লাই ঈকৌবদা শারোং ফিজিন শেৎচিনলুবা য়াওদবা নত্তে। ফনা য়াম্না নিংথৌগী মনা অমসুং ফমথোন ফংলবা অমাইবী ওইরবসু, লৈবাক মীয়ামনা শকখঙলবা অমাইবী ওইরবসু লাই ঈকৌবা নুমিৎ অসিদদি ফিঙৌ শেৎকনি। মসিনা লারবা খুদম অমনি অমদি অমাইবীগী ওইনদি অঙৌবা ফিজেৎ অসি কয়া য়াম্না মরু ওইবগে হায়বসি তাক্লি। ফিজেৎ-লৈতেং হায়বা অসিদা য়াওরিবা 'লৈতেং' হায়বা অসি কোন্নথংদা লাকপা ৱাহৈনি। মীওইবনা ৱাখলবু ফজনা খন্থবা ঙল্লবা মতমদা অকে-অমৌ হৈরক্লবা মতমদা লাকপা মচৎ অমনি। শম্না হায়রবদা খূৎশা হৈরক্লবা মতমদগী ওইরকপনি। অমাইবীগী ফিজেৎতা শেৎলিবা 'শরোং ফিজিন' অসি কোন্নথংগী ৱারীনি। মসি নিংথৌনা অমাইবী অমদা 'মনা ফি' ওইনা পীদুনা ইকায়খুম্নে। 'শরোং ফিজিন অসি ফিজেৎকী হৌরক ৱারীগা শাগোন্নবা 'ফি' অমনি।

অমাইবীগী চাকহেন য়েলহেলগী লম্‌দসু অদুক্কী মতিক য়ামখ্রে। হায়রিবা ময়াম অসিসু ঙাক্লা চৎলিবনি। য়েলহেনগী মতুংইন্না অমাইবী-মাইবী অসিগী হৌরকফমদি পূম্নমক অমত্তনি হায়বা খঙবা ঙম্মী। অমাইবী-মাইবীশিংনা থা ১২গী চাহৈ-চীনহৈদবা, চাবা য়াবা-য়াদবা খায়দুনা কাঙলোন অমগী মতুংইন্না ময়াম অমা ঙাক্লিবসি মসি য়েলহেনবু খঙনৈ। মসি হকচাংগী য়েলবু ফনবা কাঙলোন অমনি। মসি লাই তোংবা-তোংবীশিংনা য়াম্না ঙাক্লা চৎনরম্বা মচৎনি। মখোয় অসি খক নত্তনা মীচমসু অদুমক ঙল্লিঙৈ মতমদদি য়েলহেন অসি ঙাক্লা চৎনরম্মী। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, চিঞ্জাক্কী মতুংইন্না মীওইবগী লিচৎ-শাজৎ অসি অহোংবা নাই হায়বসি। অমাইবীনা ঙাক্লা চারোইদবা চিঞ্জাক অসি চারুরবদি মশাদা লাইওং খঙদনা নাবা, মখল-মখলগী লাইওং খঙদনা চোইরোল লোনবা অফিং-অফাই হৌবা অসিনচিংবা ময়াম অমনি। লাইবক থীরগদি লাইওং খঙদনা শিবসু অদুম য়াওরিবনি। অসুম্না অমাইবীগা চানদবা চিঞ্জাক ময়াম অমা লৈ হায়না তাকই। অসুম্না য়াম্না লুবা পাক চাওবা হীরম অমনি, য়েলহেন ঙাক্তগী পুয়া অমা ওইনা লৈয়ে।

অসুম্না অমাইবীনা পুন্সিদা থৌদাং ময়াম অমা ঙাক্তুনা য়াম্না ৱানা লাক্লিবসি লমখাংদা মাঙখিদনবা হোৎনবা ফৈ হায়না খনজৈ। লোয়শঙগী অশুপ্পা ফজবা কাঙলোনশিং অমদি চৎন-পথাপশিং অসিবু, মমা অসুপীনা হায়রিবা হীরম ময়াম অসি সনা কোনুংদা অমসুং মোংবা শঙ্গাইদা অমাইবীশিংবু মতম অমদা তাকপী তম্বীদুনা চঙ্খরম্বা মচৎ অমনি। অদুবু ঙসিদি লোয়শঙগী মখা পোন্না ফজনা ঙাক্লা চৎপসু ওইদরে, মমাবুসু থওইদরে, মসি লোয়শঙগী মপাঙ্গল শোন্থবগীনি হায়না লৌগনি। মসিদগী কায়থরকপা মচৎশিং অসি লাইবুংদা মমি শেংনা তারি। খুদম খরা হায়রবদা অমাইবীগী অকে-অমৌ অসি ঙল্লিঙৈদা কা হেন্না তৌনরমদে অদুবু হৌজিক্কী অমাইবী খরদি ঈরাং পুবী ওইদুনা চীনবান শঙবী, খুজিল শঙবী, ফিল্ম কুম্বা মীওই অমগা মান্না কেবিবসিবু অচুম্বা ওইগদৌরিব্রা? মসিগী মহয়দি অমাইবীবু জগোয় শাবী ওইনা উরকপা, লুপা ১০ চৎপী খরা থাদুনা শান্নপোৎকুম্না উরকপা অসিগুম্বা মচৎ অসিদা করম্বা নহা-অহলনা করম্না অচম্বা মীৎয়েং য়েংলক্কদৌরিবনো? করম্না 'ইমানি' হায়না লৌরক্কদৌরিবনো? খুল অমগী লাই হরাওগে হায়রবদি সনা কোনুংদা লাক্তুনা 'পাউকৎ' তৌবগী ফজরবা, লাইওইখ্রবা ইপা ইপুগী মচৎ অমা লৈরম্মী। মসিবু 'লৈমরেল পাউকৎ' হায়না কৌই অমসুং হরাউগদৌরিবা লাইবুং অসিসু লাইকোক চন্দবা য়াদে। অদুবু লাইবক থীবা হায়গদরা ঙসিদি লন্নাইগী ওইবা মওংদা, লাই থৌগল্লুপকী মীওইশিংনা অমাইবী মশক ফজবা খন্দুনা মোবাইল ফোন্দা পাউকৎ তৌনরে। লাইবুংগী মাগী মাগী খূৎচাবী অমাইবী লৈনরে। মসি লাই থৌগল্লুপকী মরাল ওইদৌরিবরা নৎত্রগা অমাইবী অদুনা মশক ফজরুবগীরা? হায়রিবা মচৎ অসিদগী অমাইবা অমাইবী অমসুং পেনাগী মশিলদা মমল য়াওদনা মখোয় মশেল য়েংথীনরি। অসুম্না অমাইবীনা অমাইববু থৌওই ৱাওইবীদবা মচৎ অমা ওইরক্লিবনি হায়না খঞ্জে। মসিগী কাঙলোন অসিনা অমাইবা অমাইবী অমসুং পেনাগী ফজরবা অমসুং নুংশিরবা মরক্তা শিংচেপ থাবা ওইনা থোকহল্লি। লাইবুং অমদা অমাইবা অসি মপা শক্লা লৈরিবনি। লাই থৌগল্লুপ অমদি অমাইবী অমাইবা অমসুং পেনা অশৈবগা লৈনগদৌরিবা মরী অসি করিনো? অমদি লোয়শঙদা লাই থৌগল্লুপকা লৈনগদৌরিবা মরী অসিনা করিনো? অচুম্বা কাঙলোনদা লৈনগদৌবা মরী অসিবুনা খুলগী অমসুং খুন্নাই অসিগী মীওই খরনা অমোৎপা ঈচেলদা পুথবদা লোইনা ঙসিদি ইল্লি। মসি লৈবাক অসিগী নুংশিরবা, ফজরবা ঈনাৎপু মশক খঙদবদগীনি হায়না লৌগনি।

লাইনা থাবা ঈপালগী চাদা-নাওদা ওইরিবা কংলৈচাশিংনা ফজরবা নাটকী, শকয়েং মিংশেল ওইরিবা ইমা অমাইবী অমনা লৌরিবা উমংলাই হরাওবগী থৌদাংশিং অমসুং খুন্নাই অসিগী ওইনা থা ১২গী লৈবাক্কী মসিল পাঙলিবা অসিবু অমুক্তং নুংশিবীদুনা 'ইমা অমাইবী' হায়রিবা মীংথোল অসি কনমিন্নসি হায়না হায়জরি। ৱাফোঙদোক অসিদা অপৈ অরাক য়াওরবসু নৌজরিবা অঙাংনি খন্দুনা খ্বাই পূম্নমক্না ঙাকপীগনি। নাটপু নুংশিদুনা ওইনজবনি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৬কী পাউখুম

১) ***''তাইবঙ মীৎ পেল্লম্বা ইশং শংনা,/পামেলগী লৈতেং ওইরম্বা নীংথিবা,/হে উনা! পুন্সি লোম্লমাল্লে,/উফুল্লক্তা তাইবঙ খোঙগাওনরেদো।/নফম লেঙদ্রিঙৈ নপাল ফরিঙৈ,/মালেম নুংশা মৈনা চাক্লিঙৈ,/শাইদাংলম্বা ঙাক্লি নহাক্কী,/তৌবিমল লমন শিংলরে নেৎপনা।''*** শৈরেং মতেক অসি মমিং য়াম্না পন্নবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। করি লাইরিক্তগী করম্বা শৈরেংনো অমসুং অইবনা কনানো? ***:- লাইরিক মমিং - শৈদম শৈরেং; লৌথোরক্লিবা শৈরেং - উনা; অইবা - হিজম ইরাবত, অহানবা ফোঙবা - কুমজা ১৯২৯।***

২) ***''শৈরেংগী খুঙ্গং''*** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো? ***:- শৈরেংনি; অইবা - রঘু লৈশাংথেম; (অহানবা ফোঙবা, কুমজা ২০১৪)***

৩) ***''বাংলা সাহিত্যগী ইতিহাস'*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবা ওরিজিনেল লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো? ***:- সুকুমার সেননা ইবা History of Bengali Literature হায়বদুদগী হিজম গুণ সিংহনা মণিপুরীদা হন্দোকপনি (সাহিত্য অকাদেমি, অহানবা ফোঙবা, ১৯৮৯)***

৪) মণিপুর মপানগী শক্নাইরবা অইবা অমগী লাইরিকনি ***''পুন্সিগী মীৎকূপ অমখক''*** হায়বসিগী অইবা অসি কনানো অমসুং করি লমগী অইবনো? ***:- অইবা - নিংথৌখোংজম দিলীপ কুমার; ত্রিপুরা লমদমগী শক্নাইরবা অইবনি।***

৫) ***''খোইয়ম লাইয়িংথৌ চীংঙু লাইমরু সিদবা ও, তাইবঙ নোংসাপান ওইনা চীংঙু নথৌজানগী উনবী মচেঙ হকমা-ওই, লৈরাং য়িমজংনবাবু চীংঙু নঙগী সমু হকসাংলেনবু পূঙমদরে, হায়না তৎনা ৱাননা খাংলমএ, অদু নোংগীবু লোইদাম অতৎ অৱান থাও তৌনা কৌএ।''*** ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো? ***:- ''থারোন'' হায়বা লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অশেংবদি পুয়ানি, লাইরিক ওইনা পুথোরকপা - এন ইবোচৌবা; অহানবা নম্বর, ওগষ্ট ১৯৮২।***